# হৈঙাংদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) না পাল্লমখিবা মফমসি হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দনি

- খুন্দোংবম কুমার -

মৈত্রবাক্কী নিংথৌরেল মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) না হৈঙাংগী রামনগরদা (হৌজিক্কী ময়ায় লৈকায়) মতম খরা লৈরম্মী হায়বসি অশেংবনি। হৈঙাং ময়ায় লৈকায়গী মপাদা ফাওদুনা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানগী শরুক্তনি। মৈদিংঙুনা মফমদুদা শাংথনা লৈরমদবনা মতমগী খোঙজেলদা মথং-মথং মী পোং তাশিল্লকখিবদগী রামনগর মিংথোনখিবা কোনুং মমিংসু মখা তাখিদ্রে, ৱারী ওইনা অদুম লৈখিবা মাল্লি। ঙসিদগী চাওরাকপা চহী ৭০ মুক্কী মমাঙ অদুৱাইদা ওইরমগনি হায়, মফমদুদা যূম তাশিল্লকপগী লৈবাক তৌথরুবনচিংবা কয়াদা নিংথৌগী কোনুং শারম্বনি হায়, অরিবা চেকশিং সুরকী চন্দুপা পল্লি-পল্লি লৈরম্বা থেংনখিবা অহলশিং হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরি। মফমসি 'চেকথাবী' হায়নসু খঙনৈ। হন্দক্তসু লৈবাক তৌথোক্লুবদগী ফংলকপনি হায়বা অরিবা চেকশিং উজরকই। চেকশিং অসি হৌজিক্কী চেক্তগী পাকপা হেল্লি অদুগা খরদি পাতক তৌই। মফমসি চাউনা কোল্লি ৱাইখোম শাগৈনা নম্লা তাই, মৈদিংঙু অমা লৈরম্মী হায়বগী চপ চাবা ৱারীদি ময়েক শেংনা লৈরি। হৌজিক্তি যূম ঙাক্তা তাশিন্নখ্রবনিনা নিংথৌ অমা লৈরম্মী হায়বগী শক্তমদি লৈত্রে হায়বা য়ারে। ওইরক্লিবা ফীভমসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা পাল্লমখিবা চহী ২৩০ মুক্কী মতুং ওইরম্বা য়াই। চাওরাকপা থমজবনি। অদুবু মফমসিদগী মখা পাংনা লম্বীগী মতুংইন্না খরা চৎলগা অমুক মমাং (নোংপোক) লোমদা লম্বী মচা অমদা খরা খজিক চঙলগা লৈবা ওইনাম শাগৈগী ইঙ্খোল অমগী নোংপোক মৈরম ওইরপনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা ফম্লম্বনি হায়বা নূংপাক (নূংপাক থাবী হায়) অমদি 'পাখংবগী খুভম' ওইনা লাৎলম্বা থেংনজরকই। মসি মঙাইরে মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা হৈঙাংদা লৈরম্বগী মীৎনা উবা হায়ববু। ইজরিবা ঐহাক্না মীয়ামদা পাউদমজগে থৌরাংজরিবা ঈপাউশিং অসি 'নাওরোইবম শামুঙৌ' কৌবা চহী ৮৪/৮৫ রোম শুরবা অমা ইবুংঙো অমনা চঙ চঙদুনা খুদোনবী থিন-থিন দুনা তাকপীরকপদগী খঙজরকপনি। অহল ইবুংঙোসি লৈঙাক্কী থবক্তগী পোত্থারবা মীশকনি। হৌজিকসু লাইরিক খরগী অইবা ওইরি। ইজরিবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতাংদা হেন্না খঙনীংলুবগী মরমদি, নমথাক্কী পুৱারী শেমগৎতুনা মৈদিংঙু খরবু পাউথোকপীবগী ৱাশেম লাইরিক কয়া থেংনজরুবগীনি হায়বসিমা থমজগে। মতাংসিমদি মতাং চাদবনা থাদোকচরে।

মৈদিংঙু চরাইরোংবা (কুমজা ১৬৯৭-১৭০৯) না নোঙ্গাখ্রবা মতুং কুমজা ১৭০৯গী থৱান ২৩দা নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবনা মশাগী চহী ২০ শুরকপদা 'নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা/পামহায়বা' মিংলেন লৌদুনা মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লাংখিরম্মী। 'গরিবনিৱাজ' হায়বা মিংথোলসিনা শান্তিদাস গোষাই লাক্লবা মতমদা কৌখিবনি। মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজগী তাল্লোয় লৈমা/লৈমরেম্বী থারগা ১০নি। মচাইবুংঙোশিংনা ইরোমগী ঈনি হায়নরিবা চিৎসাই (সনাহল সমৈরাং/মেনখোংবা) থারগা ১৬নি। খ্বাইদগী অহলনা শ্যামশাই খুরাইলকপনি। মৈদিংঙুসিনা মহাক্কী পুন্সিগী থেংথরকপা খোঙচত্তা খুদোংথিবা নংখিবগী অমসুং লৈঙাক কাঙখোং চাইখিবগী মরূ হুনখিবদি মহাক্না মোইরাংথেম চনু ইরোমগী মৌ ওইখ্রবী লৈমা থম্বাল (গোমতি) লৌরুবদগীনি হায়বসিমা থমজরি। ১৮শুবা শতাব্দিগী অহানবা হৌগৎলকপা মতমদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌরেনশিংগী মনুংদা মতিক মঙাল লৈনা, মথৌনা ফুদোক্লা য়েক্ল-তিঙ্খং লৈতনা পাল্লকখিবা নিংথৌদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ নিংথেম ময়াম্বনি। লাইবক থীবদি মৈদিংঙুসিগী অহুমশুবা মচানুপা ৬ (তরুক) কী মমা ওইখ্রবী তাল্লোই লৈমা থম্বাল (গোমতি মহারানী) গী অহানবা মপুরোয়বা, ইরোম চাউবা শিখিবগী লমন খুম্লবগী শরৌলাংদা মৈদিংঙু চঙশিল্লকখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা থম্বালবু তাল্লোইশিংদা চনখিবগী মতাংদি হুন্দোকচরম্লে।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৈমা থম্বালগী মফমদা শকখিবা ৱাশক অমদি হায়নখিবা ৱাফমগী পুংজাদু য়ৌশিল্লকপদদি মৈদিংঙু নান্থোকপা ঙমখিদে। অসিনা মরম ওইদুনা গরিবনিৱাজনা লৈমা থম্বালগী মচাইবুংঙো অহল চিৎসাইদা কুমজা ১৭৪৮ (শকাব্দ ১৬৭০গী কালেন ১০) দা কংলৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল শিন্নখি। মৈদিংঙু চিৎসাইনা নিংথৌ ফম্বাল লৌখিবসি মশাগী চহী ২৮ শুরে। অদুদগীদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজসু লৈমরেম্বী অহল লম্বাসু অরাম্বী (শ্যামশাই খুরাইলাকপীগী অপোকপী), মোইরাং লনহাম্বা, শ্যামশাই অমদি অতৈ মচাইবুংঙোশিংনচিংবা কয়ানা থৌগল তৌদুনা অপোং ঈংখোলগী রামশালা (হৌজিক্কী রাজা দুম্ব্রা সিংহ স্কুল) দা কুমজা অদুমক্কী নুমিত্তুমক্তদা হোংজিন্দুনা লৈখিরম্মী (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমাই ১১৯দা য়েংবীয়ু)। মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা মপাবুংগী ৱাশক ঙাক্লবগীদমক্তা মহাক্কী ফংফম থোকপা কংলা ফম্বাল থাদোকখিবগী মতাংদি থমজররোই।

অসুম্না গরিবনিৱাজনা চিৎসাইদা নিংথৌ খুভম পীখ্রবা মতুং অপোং ইঙ্খোলদা লৈখিবা মতমসিদদি লৈমা থম্বালনা মহাক্কী মচাইবুংঙোশিং অমদি মহাক্কা য়ানবা লৈমশিংগী অতৈ খরগা অরোনবা ৱা তানদুনা গরিবনিৱাজনা লৈরিবা রমশালাবু কুপশেন শেন্নদুনা কংলা মনুংদা য়েক্লবগী মহুম শাদুনা লৈখি।

মথংগী থা ইঙাগী অহানবা চয়োলদা মোইরাং লমহাম্ববু হৈঙাংদা (ইজরিবনা পঞ্জরিবা হৈঙাং ময়ায় লৈকায় হায়বদুনি) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৈনবা কোনুং অমা শাহনখি। কোনুংদু রামনগর মিংথোনখি। (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমাই ১১৯, পরেং ৮দা য়েংবীয়ু) মতাং অসিদা কোদ তৌজনীংবদি, - "ইঙাগী ৯নিদা মহারাজ অমসুং মহারানী কোন্থা কুমএ" (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমাই ১১৮) হায়রিবদি মতমদুদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ অমসুং লৈমরেম্বী অনীনা হৈঙাংদা লৈবা মফম অমদা চত্তুনা মৈদিংঙু লৈনবগী শঙ্গাই শানবা য়েংখি হায়বনি। অদুদগীদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজবু অঙোম যূমফমদা লৈমিন্নখবা থৌগল্লোইশিংগা লোয়ননা কুমজা ১৭৪৯ (শকাব্দ ১৬৭১, শজিবু ১৩) দা হৈঙাংগী রামনগরসি (হৈঙাং ময়ায় লৈকায়) শেম শাবা লোইরবা মতুংদা হোংজিনহনখি। মতমদুদা মৈদিংঙুবু নুংশিবীবা ফম্নাইবশিং মোইরাং লনহাম্বা য়াওনা মীশক কয়ামরুমসু থৌগন তৌদুনা মৈদিংঙুগী তুং ইন্নখি। গরিবনিৱাজনা হৈঙাংদা লৈরিঙৈদা মনাও ইবুংঙো ৱাংকৈখরাকপা খমলাং পনশাবগী মচানুপী ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু মমোম শক্লা ঔৱাগী নিংথৌ দিপাতীদা থাজদুনা অওং-অওনগা লোয়ননা ঔৱা কোনুংদা কুমজা ১৭৪৯গী হিয়াঙ্গৈ থাদা থিনবীরম্মী (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমাই ১১৯)। মৈদিংঙু নিংথেম ময়াম্বনা ঔৱা কোনুংদা মমোম থিল্লুবা খোঙচৎকী হল্লকপদদি মচাইবুংঙো শ্যামশাই খুরাইলাকপদি য়াওরক্তে ঔৱাদা লৈহৌখি। অসুম্না মৈদিংঙু পামহৈবনা মনাই মশন কয়ানা থৌগল তৌদুনা ঔৱাদগী মৈত্রবাক্তা হল্লক্তুনা হৈঙাংদা অমুক লৈরখি। মৈদিংঙুনা ঔৱাদগী মৈত্রবাকলোমদা হল্লকপদা ঔৱাগী নিংথৌনা লাকশিনবা ঙল্লমদ্রবা 'কোই' কাঙলূপ অমবুসু লোই চনশিনবীরমখি।

থমজনীংহৌবা মতমদুগী ঈপাউশিংদি - মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মহাক্কী মচাইবুংঙোশিং শ্যামশাই, আনন্তশাই, ঙৌব্রামশাই, হরিশাই, কিশ্বরশাই অমদি মোইরাং লনহাম্বনচিংবা মরুওইবা মীশক কয়ামগা লোয়ননা হৈঙাংগী রামনগরদা লৈরকপসিদা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ অনী পানবগী মওংদা লৈবগুম তৌখি। অদুবু মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা ঔৱাদা লৈহৌখিবদগীদি লৈমা থম্বালগী ৱাখলদা খরদি শাফরকখি। মদু ওইদুনসু মৈদিংঙু পামহৈবনা মৈত্রবাক্তা অসুম লৈথখিবা তারবদি মৈদিংঙুবু নুংশিবা মীশক কয়ামনা ঈরাং হৌরক্তুনা চিৎসাইগী ফম্বালদা অকায়বা লাক্কদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈমা থম্বালগী পূক্লিং ৱাখলদা ফাওদবা নত্তে। অদুনা লৈমা থম্বালনা মহাক্কী মবুকথোক্কী মচাশিংগা ঙাক্তা তানদুনা অরোনবা খুজিল থৌরাং পায়খৎলম্মী। মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু চিৎসাইনা মপাবুং নিংথেম ময়াম্ববু মপানথোংদা নুংশিবা শাদুনা মৈদিংঙু পামহৈবা/নিংথেম ময়াম্ববু চেকশিন থৌরাং ওইনা হৈঙাংদগী ইম্ফাল কংলাগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অঙোম যূমফমদা কুমজা ১৭৫০ (শকাব্দ ১৬৭২, কালেন ১৭নি পানবা) দা পুশিল্লক্তুনা হাওস এরেষ্ট ওইনা থমখিরম্মী। মতমদুদা লৈবাক মীয়াম্নদি চিৎসাইদা নিংথৌ খুভম পীখিবসি য়ানীংদবগুম তৌখি। হায়বসিসু লৈমা থম্বালনা খঙখিদবা নত্তে। অসিগুম্বা ঈরাংসি লৈবনা চিৎসাইনা মপাবুং পামহৈবা/গরিবনিৱাজবু মীয়াম মমাঙদনা থাঙ্গদা ক্না য়েংবা চৎপা ওইনা উহল্লগা মৈত্রবাক্তগী কুমজা ১৭৫০গী হিয়াঙ্গৈ ২৯দা তান্থোকখি (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমাই ১২০)। অসুম তৌদুনা গরিবনিৱাজনা মহাক্কী থৌগল্লোইশিংগা লোয়ননা ঔৱাদা তাখিদুনা মমাক ঔৱা নিংথৌগী কোনুংদা য়ৌখি। অসুম্না মচাইবুংঙো শ্যামশাইগা থেংনদুনা লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজ/নিংথেম ময়াম্বনা হৈঙাংদা কুমজা ১৭৪৯ (শকাব্দ ১৬৭১, শজিবু ১৩) দগী কুমজা ১৭৫০ (শকাব্দ ১৬৭২, শজিবু থা) ফাওবা চাওরাক্লা চহী ১ (অমা) মুক লৈরমখি।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মীনম্বা পুৱারীগী লাইরিক খরা থেংনজরুবদগী ইজরিবনা ইনিংথৌসিগী অশেংবা/অচুম্বা পুৱারীগী খোঙ্গুল ফংনবা হোৎনজরুবনি। হৌখিবা মতমগী ইচুম চুম্না লৈজরম্বা পুৱারীগী ৱারীশিংবুনবু ওন্ন-তৈনহন্দুনা ঐখোয়গী ইরমদমসিবু কোনশিনবীরম্বা ইনিংথৌশিং খরবু শিংথাবীদুনা পাউথোক্লবা হোৎনবীরমখিবা অমদি হোৎনবীরিবশিংবু ঐখোয়না ইকায়খুম্নফম থোক্তে হায়বসিমা থমজরি।

অরোইবদা থমজরিবদি - ইনিংথৌ মৈদিংঙু পামহৈবা গরিবনিৱাজনা ফম্লম্বনি হায়রিবা 'নূংপাক থাবী' হায়নসু খঙনরিবা মফমসি, ইঙ্খোলদুগী মীশিংনা 'ইবুধৌ পাখংবা' গী খুভমনি খঞ্জদুনা য়াম্না নুংশিনা তরক-তরক ঙাকশেলহৌরি। ঙসিগী লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনসু ইনিংথৌসিগী খুভমসিদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। লোয়ননা মৈত্রবাক মণিপুরসিদা লৈবীরিবা নিংথেমচাশিং অপূম্বনা খুভমসিবু মথৌ হাপকৎহন্নীংই। অদুবু কর্ত্তা শাগৈগী অখন্নবা - নিংথেম মচা খরদি ইজরিবা ইশামক্কা লোয়ননা য়ৌজরুরে। ঐখোয় মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা কোনুং শাদুনা লৈরম্মী হায়বগী থাজবা য়াবা খুদম চাংদম কয়ামা অখন্নবা অহলশিংদগী খঙজরকই। মফমদুগী ফংলকপনি হায়বা অরিবা চেক্কী অমদি খুভমগী ফোটোনচিংবদি মথং চেফোঙদা হাপচরক্কে।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :-
(১) চৈথারোল কুম্বাবা - লৈখিদ্রবা পন্দিট খেলচন্দ্র।
(২) পৱারী পুৱারীগী মৈতৈ চনু খরা - বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা।
(৩) নিংথৌরোল লম্বুবা - চনম হেমচন্দ্র। ●

# মালেমগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি

- লোইতোংবম ব্রজেশ্বর -

লৈশেম্বা মপুগী লৈশেমনুংসিদা অশোয়-অঙাম, অকায়-অতোয় অমদি অমাং-অতানচিংবা হৌনদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোক্লবদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুবু ঙমদাইনবগীদমক তেংবানবা মপুনা কোরৌ নোংদোন থক্তগী মালেমদা নোংগুম্লক্তুনা মীথোই মীহেনবগী শক্তম লৌদুনা পোল্লকপবু লাইপোক কোই। শম্না হায়রবদা, লাইগী মতিক-ময়াই ফংদুনা পোকপা মীপোক লাঙওন চঙখোনবা মপোক অদুবু লাইপোক কৌই।

লাইনিংহন ইবুংঙো শিদবা অসিবু লাইপোকলা নত্তবরা হায়বদুগী মরমদা মালেমগী ওইবা চৎন-পথাপ মতুং ইন্না শম্লপ্না খরদং পঞ্জগে -

অহানবা মরম : মীতৈগী মীহৌরোন অমদি লাইহৌরোন্নচিংবা পুয়াশিং মৈ থাদোক্তুনা মশাগী লাইনীং, মশাগী ময়েক অমদি মমালোনবু মাংঙি হায়দুনা তুংওইনরম্লগা ফৈজোম খোংদাই শেত্তুনা আর্য্য হিন্দু ওনখ্রবা মীতৈ ফুরুপ মালেমদগী পুংমুৎ মুৎপগী মতাং য়ৌরবদা মরৈবাক মরমদম মরৈচা অমদি মনাৎপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা লাইনিংহন ইবুংঙোনা থানাগী দারোগা ওইনা লৈরিঙৈদা অসুম্না হায়খি - *"মীখা পোন্দুনা মীপান তাংদুনা মীথিবোং মীতম্বান ওইনা থা থাগী তেলোপ চাদুনা পুন্সি লেনগদৌ শরুক পুংমুৎ মুৎখিগদৌরবা মীতৈ ফুরুপ্পু কন্ননবগীদমক ঙমজবা থৌনা লৌশিং পুথোক্তুনা মীকুপ অমতং ওইরবসু হোৎনরম্মগা শিখিবনা হেন্না য়াইফবা ওইগনি।"* লাইনিংহন ইবুংঙোদি লাইপোক ওইবা, ৱাচুম শুবনিনা হায়দোকখিবা ৱাদু ঙাকনবগীদমক মীওইবনা ফঙমদবা দারোগাগী ফম অদু চিংনবা লৈতনা থাদোক্লম্লগা মশা খিং-খিং লাউনা চোংথোরকখি। চীংখৈরোন শোন্দুনা পান্থোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা য়াকাইরোল শক্লকখি, -

"হৌরো হৌরো পারিখোয়,
মপুগী পাউবু লাক্লে ইবুংঙোশিংঙ্গ
ইপু শিদবা য়াকায়রো
ইবেন শিদবী থাগোল্লো।"
(লাইনিংথৌ লাইবাউ)

আর্য্য হিন্দু লাইনীং থাদোক্তুনা মীতৈ ওইনা ফোংনা হিংবা হৌখিবা মহাক্না ইহান হানবনি। মীতৈ লাইনিং লিচৎকী লাইনিংহন ওইখিবা মহাক্না ইহান হানবনি। অমাংবা শীংদা চল্লুবগী ইমা মীতৈলোলবু লাইগী মরোলনি হায়দুনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা লাইরোন ওইনা শীজিন্নবা হৌখিবা মহাক্না ইহান হানবনি। লোলনা ইমানি, ময়েক্না ইপানি হায়দুনা লোল অমসুং ময়েকপু নৌহৌননা অমুক ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা শীজিন্নবা হৌখিবা মহাক্না ইহান হানবনি। মীতৈ ঐখোয়গী ইরমদম লৈরি, ইরোল লৈ, ইয়েক লৈরি, ইনাৎ লৈরি করি ৱাৎলি। ঐখোয়গী হায়না তাকপীরম্বা মহাক্না ইহান হানবনি।



কাছারগী অহানবা মেত্রিক পাসনি। মীতৈবু করিগীদমক্তা পুকচাক ওইরবা লৈঙাক্কী থবক ফাওবা চিংনবা লৈতনা থাদোকখিবা মহাক্না ইহান হানবনি। খুন্নাই শেংদোকপা, পুয়া ইবা, পুদিনবু শৌগৎপা খুন্নাইরোল খঙবা, লমজিং লমতাকপা, মীতৈ ফুরুপ্পু পোকপীবা অপোকপা পন্থৌনি। খুন্নাইগী পন্থৌদি লাইপোক ওইবগী খ্বাইদগী অথোয়বা মতিক-ময়াইনি। মরম অদুনা মালেমগী লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি।

অনীশুবা মরম :- লাইনিংহন শিদবনা পোকত্রিঙৈগী চহী ৩৬৮গী মমাঙদা মীতৈ লৈবাক্কী মায়চৌ পুরেন তরেৎনা থম্বীরম্বা 'লালৈ লাথুপ থিলেল' কৌবা পুয়াদা অসুম্না ইবিরম্মী 'নোংচুপ লমদা খুন্দাখিবা মীতৈগী শাগৈ অরিবনা তিনথোং লাইথোং খঙনা থিরগদবনে । নোংদম নোংখায়বিগদবনে। মীতৈগী লিচৎ অরিবা হনজিল্লগদবনে।" নাওরেম হায়বা যূম্নাক অসি নিংথৌগী ফিরাল পায়বা, নিংথৌ খল্লকপা অরিবা যূম্নাকনি। নাওরেমগী অহল-লমশিং মীতৈ লৈবাক্কী থাংমৈবন্দগী নোংচুপ মায়গৈদা লৈবা আসামগী জারিবোন লাইশ্রম খুলেন্দা হোংলকপনি। লাইনিংহন লমদমসিদা তাইবঙ ফাওদুনা কুমজা ১৯৩০গী এপ্রিলগী চৈচৎ ১৩দা লাইখুন্দিন, চৈয়োনগী অহানবা কোরৌ নোংজিংগী অচংবা খেনফমদা অহানবা ওইনা ইচু ফি থোন্দুনা, ফমলেন ফম্বান ইরাত্তুনা অচংবা অহল তরেৎপু মীংখৈ পীদুনা, অপোকপা মরুপ লিংদুনা অপোকপগী চহীরোন চৈথাবা হৌখি। অপোকপা মরুপকী হৌফমবু 'হৌনশঙ' হায়না মিং থোনখি। নুমিৎ অসি পুয়াগী অঙ্কগী ফল তাবা নুমিৎনি। লাইনিংহন পুয়ানা তাক্লিবা মীশক অদুমকনি। মরম অদুনা মালেমগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি।

অহুমশুবা মরম : "মতমগী খোঙলৈ থাবা' পুয়াদা 'কে কেকু মোইরাং কেকু নচা নম্বা সঙাই নম্বা য়োৎকী পৌরোন লাইগী শমচেৎ লুবাক মখুম নাইদে তমং পুসা ময়োন থোক্লোইয়ে।" মীতৈগী পুয়াশিং কংলা উত্রা মমাঙদা মৈ থানবগী খোমগৎলক্লবদা মীতৈ ইনাৎপু নুংশিজবা মায়চৌশিংনা পুয়া খরা থিবদা ফংদনবা চেৎনা লোত্তুনা থমনখি। মদুবু পাউরৌ ওইনা কে কেকু মোইরাং কেকু হায়বনি। মায়চৌশিংনা লোৎলম্মীবা পুয়াশিং অসি তুংদা লাইপোক অমা পোল্লকখিগনি মহাক লাক্লবা মতমদা লোৎলম্বা পুয়া পূম্নমক কোয়না থিদুনা পুথোক্লগনি। লাইগী শমচেৎ হায়বদি লাইপোক অদুনা কোকহাৎ শমজেৎ কুম্না মথৌ পাঙথোক্লগনি। অসিগী ৱাহনদি কোকহাৎ শমজেৎনা শম হাৎলগা ফত্তবা অকেনবা শম মখৈ লৌথোক্লগা কেন্দবা অফবা শম মখৈ তরু-তরুনা থম্বগুম্না লাইনিংহননা হৌদোকপীরম্বা অপোকপা লাইনিং মরুপ অসিনা গৌড় লাইনিংনচিংবা মীতোপকী লাইনীং চৎপশিংবু লৌথোকখ্রগা মীতৈগী লাইনীং চৎপা মখৈতা তরু তহেন্না মশক মঙান থোক্লা লৈহল্লগনি হায়দুনা লাইগী শমচেৎ হায়না পুয়াদা পাউরৌ ওইনা ইরম্বনি। লাইনিংহন ইবুংঙোসি পুয়ানা তাক্লিবা মীশক অদুমকনি। মরম অদুনা মালেমগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি।

মরিশুবা মরম : পামহৈবা নিংথৌনা লোক্তাক পাৎতা হিয়াং হিরেন থাংলোন চিনাইবা হায়বা লাইৱাদু শোন্দুনা সনা খূৎশুথাঙনা য়াল্লুবদুগ মহয় ওইনা কংলাদা মৈ হৌদুনা চাক্লবদা অখঙ অহৈ কনামত্তনা মৈ কনবা ঙমদ্রবদা মীতৈ লৈবাক্কী মায়চৌ পুরেন লৌরেম্বম খোংনাং থাবনা মৈরি মৈফুৎ মেন্দুনা মুথৎখি। কংলা মৈকল্লবা মতুংদা মায়চৌনা অসুম্না হায়খি - *"মিৎনা উবা খাম্বী মৈদি ইখূৎনা মুথৎপা ঙম্মীদো। মীৎনা উদবা খাম্বী মৈরিনা তুংদা লকানুংদা চাক্লদবদুদি কনবা ঙম্মোয়দৌরে নিংথেমঙ্গ" "মিৎনা উদবা খাম্বী মৈরি"* হায়রিবসিনা মীরোন তরেৎ ফাওবা মীতোপ্না আর্য্য হিন্দু ওইননবা অশেম্বা ওইদবা মীহৌরোন ৱারী ইশিন্দুনা হোৎনরক্লদবা অদুনা মরম ওইদুনা শানা মনা-মশিং চাবগুম্না মীতৈনা মীতৈগী মনাৎপু মাঙহন-তাকহন্নবা হোৎনবদা মনাৎপু নুংশিজবা থম্মোয় শেংবা অশেংবা মীতৈ খরনা মনাৎপু মাঙগদৌরে হায়বা খঙবা অদুগা কনবদি ঙমজদ্রবা, ঙমজদবনা মরম ওইদুনা থম্মোয়দদি পংচাক চাকপা অসি মীৎনা উদবা খাম্বী মৈরিনা থম্মোয় লকানুংদা চাকপা কৌই। কংলা উত্রা শঙলেন্দা চাক্লিবা খাম্বী মৈ অসি মিৎনা উবা অমা উদবা অমনি। মীৎনা উবা খাম্বী মৈদি মায়চৌ পুরেন্না মুথৎপীখ্রে। অদুগা মীৎনা উদবা খাম্বী মৈ অসি মীরোন তরেৎ ফাওবা চাক্লগদবনিনা মুৎপা ঙমদে হায়বনি। খাম্বী মৈ অনীমক মুথৎপগী থৌদাং লৌখ্রবনি। অমনা হান্না মুথৎপা অমনা কোন্না খরা তপ্পা মুথৎপা অসিখক্তনি। মীৎনা উদবা মৈ অসি মীরোন তরেৎ শুবদা লাইনিংহন ইবুংঙো শিদবনা তাইবঙ ফাওরক্তুনা অপোকপা মরুপ লিংদুনা, হৌনশঙ শাদুনা পুয়াশিং, মীহৌরোন ৱারী, থিজিন হুমজিন্দুনা, খোর্জৈনা চৈশু ওইনা খোমজিন্দুনা মীহৌরোন অমদি লাইহৌরোনগী ওইবা পুয়া কয়া ইথোরক্তুনা উদবা খাম্বী মৈরিনা মীরোন তরেৎ চূপ্পা চাক্লুরবা মীতৈবু খাম্বী মৈরি মৈকন্দুনা মীতৈ ফুরুপ্পু কনবীখি। মীৎনা উদবা খাম্বী মৈরি মৈকনখিবা লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি।

মঙাশুবা মরম : ৱেষ্টর্ন ফিলোজোফিগী মেটাফিজিক্স কৌবা ৱাঙুরোনগী পথাপ মতুংইন্না মালেম অসি ঘড়ীগী পাংখকনি। লৈশেম্বা মপুনা মালেম অসি শেম্বা লোইরগা ঘড়ীগুম্না মদোম চৎহল্লি। ঘড়ীনা চৎত্রবা মতমদা ঘড়ী শেম্বা খূৎনাইবনা চঙক্তুনা চত্তবা ঘড়ী অদু শেমদুনা হান্নগী মতৌগুম্না চৎহনবগুম্না মপুনা শেম্বা মালেম লৈশেম অসিবু ঘড়ীগুম্না অশোয়বা য়াওরক্তুনা চৎত্রবা মতমদা মপুনা মালেমদা নোংগুম্লক্তুনা অশোয়বা লৈশেমগী খোঙচৎ অদু শেম্বী শাবিদুনা চুমথোকপীরগা হান্নগুম্না কায়দনা চৎহল্লম্মগা নোঙ্গাখি। মালেম, লৈশেমগী অকায়বা খোঙচৎ অদু চুমথোক্লবগী অমদি শেমজিন্নবগীদমক মালেমদা পোল্লকইবা মীপোক লাংওন চঙখোনবা মহাক অদু লৈশেম্বা মপুমক্নি হায়বদি মপু মানা লাংওনবনি। আর্য্য হিন্দু ওন্দুনা মীতৈ খুন্নাই অসিবু মুৎখিগদৌরবা চীরবা মতমদা লাইনিংহন ইবুংঙোনা তাইবঙ ফাওবিরক্তুনা মীতৈ খুন্নাইবু শেম্বী শাবিরম্মগা, হীংহনবিরম্মগা অমদি মথৌ মঙম লোইবগা নৌনা নোঙ্গাখি। লাইনিংহন ইবুংঙোদি ৱাঙুরোল অসিনা তাক্লিবা মপুগী লাংওন অদুমক্নি। মরম অদুনা মালেমগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবা লাইপোকনি অমদি লৈশেম্বা তাইবঙ মপুগী লাংওননি। তেংবানবা মপুনা য়াইফরে, মালেমগী লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো শিদবনা য়াইফরে। ●

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5618/22/8-21/9